

ব্রাজিলদা ৱার্ল্ড কপ পাংথোকপবু য়ানিংদবা ফোংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীওই অমনা লমদম অদুগী ফিরাল হায়রি

# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, MAY 26, 2014, PAGE 7



এদিদাস কম্পেনিনা হন্দক্কী ব্রাজিল ৱার্ল্ড কপ অসিদা এর্ভর্টাইজমেন্ট তৌরিবা অদুবু মীয়ামদা খংহল্লিবা ফুটবোলগী ফেন অমা

# য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ আমেরিকাগী টিম পুদুনা জার্মনিগী ক্লিন্সমেন্ট খোংশানখ্রে





*রিও দি জানৈরো, মে ২৫ঃ*

মথং থাগী ১২দগী পাংথোক্কদৌরিবা ফিফানা শিনবা অদুগা ব্রাজিলনা অনিরকশুবা ওইনা য়ুম্বু ওইদুনা ২০ লক শুবা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক জর্মনিগী মতম অমগী শান্নরোই ওইদুনা ৱার্ল্ডকপ্তা গোল ৫ চনবা ঙমখিবা জোর্গেন ক্লিন্সমেন্টনা কোচ ওইদুনা টিম অসিবু লুচিংলক্লি । খোংচৎ অসিদা মতম কুইনা লন্দনদা লৈদুনা লিগ শান্নরিবা দোনোভানদি টিম অদুদা য়াওখিদে ।

টিম কোচ ওইরিবা ক্লিন্সমেন্টনা ফিফাগী ওথোরিতিদা জুনগী ২দা পিখৎকদৌরিবা ওফিসিয়েল ওইবা প্লিয়ার লিষ্ট অদু পিখৎকনি হায়না পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখি ।

ফিফাগী ওইনা নোর্মেন ওইবা ৱার্ল্ড কপ টিম লিষ্ট পিখৎপা অদুদা ইতাকুইরাও হায়রিবা শান্নরোই অসি য়াওই, শান্নরোই অসি দোমেসটিক্কী ওইবা লিগ মেটচ অমদা শরুক য়াখি । মহাক্না শরুক য়াখিবা মেটচ অদুবু মীওই ৩৬,০০০ রোমনা য়েংখি । মেটচ অদু য়েংলুরবা মতুংদা মহাকপু পান্থা অমদি শৌগৎপা মীগী মশিং য়ামখৎলকখি । মখোয়না হন্দক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা তোঙান তোঙানবা শান্নরোইশিংদমক করি তৌরকপগে হায়বদু খংদ্রি ।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংগী শৌগৎপা হায়বদি ফেনশিং অসিগী য়েংদুনা অহেনবা ফমফম থম্বগী চৎনবী অদুদি লৈত্রি। মফম অসিদগী মোবাইল ফোন্দা শৌগৎপা মীওইশিংদা টেলিফোন তৌনবগী খুদোংচাবসু খরা মখেদি শোৎথরি ।

টিম অসিগী ওইনা জুনগী ১দা হায়বদি ৱার্ল্ড কপ হৌদোক্কদবা নুমিৎ ১১নি ৱাৎলিঙৈগী মমাংদা সেকেন্দ টেষ্ট মেটচ অমা শান্নগদৌরি। ফুল মেটচ অসিদা মখোয়না করি করিবু ৱাৎপগে হায়বদু নিংথিনা য়েংশিনগদৌরি । হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ওইনা শেমগৎলিবা ষ্টদিয়াম অনি হায়বদি কুরিটিবা অমদি কুইবা হায়বা অসি মপুং ফানা লোইশিনদ্রি । মফম অসিদা টেষ্ট মেটচ অমা শান্নরবা য়ারি ।

কুইবাদা লৈরিবা এরেনা পানতানাল হায়রিবা অসিদা মফম অদুগী জর্নেলিষ্টশিংনা চৎতুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা টৌইলেতকী ফিভম অসি য়াম্না অফবা কন্দিসন ওইদে হায়না ফোংদোকপা লৈখ্রে। মফম অদুদা লৈরিবা রেলৱে অসিসু মথং চহি ফাওবদা মপুং ফাবা অফবা রেলৱে অমা ওইবা ঙমখিরোই । রেলৱে অসিনা ফুটবোলগী মেটচ য়েংনিংলিবা মীয়ামদা পিগদবা কান্নবা অদু মপুং ফানা ফংহনবা ৱাখিগনি ।

ফিফানা শেমগৎ শাগৎলিবশিং অদুবু মতম খরা খককি ওইনা নংনবা শেন্থনি হায়না লাওথোকপা লৈখ্রে লোয়নননা প্রোতো এলদারি হায়রিবা মফম অসিদা পিগদবা স্যেদুল অসিসু মপুং ফদ্রি । বোর্দর টাউন্দ ওইরিবা মফম অসি টেলিকামুনিকেসনগী নেট ৱার্ক য়াম্না মপুং ফদ্রি লোয়নননা মমাং চহিদা কনফিড্রেসন কপ পাংথোকপা মতমদা মোবাইল শিজিন্নবগী খুদোংচাবসু ফংখিদে । টেক্নিসিয়ানশিংনা হিরম কয়া অসিগী মতাংদা অমদি ষ্টদিয়ম অসি অপ গ্রেট তৌনবা হোৎনবদা মতম য়াম্না লৌই । টুনার্মেন্ট মনুংদা ইয়ারপোর্ট অমদি অতে মখলগী ওইবা মফম অদু য়ৌবা ট্রাফিকশিংসু য়েংশিননিংঙাই ওই হায়খি ।

ব্রাজিলগী কম্যুনিকেসন মিনিষ্টর পৌলো ব্রেনাদোনা টেলিকম্যুনিকেসন অমদি ইন্টরনেতকী প্রোব্লেম লৈবা ৱার্ল্ড কপকী ষ্টদিয়াম ১২ অসিগী মনুংদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি অথুবা মতমদা য়েংশিল্লু হায়বা ৱাফম ফোংদোকপা লৈখ্রবনি । মখোয়না ব্রাজিলদা পাংথোকপা ৱার্ল্ড কপ অসি খ্বাইদগী হেন্না খুদোং চাদবা ৱার্ল্ড কপ অমা ওইনা নিংশিংদনবা হোৎনবা চুমগনি ।

মফম অসিদা ৱার্ল্ড কপ পাংথোক্কনি হায়বদগী ষ্টদিয়মগী শেমগৎ শাগৎপা মতমদা ষ্টদিয়ম অমদা য়ু এস দোল্লর বিলিয়ন ১১ থাদাখিবনি । মসি মমাংদা সাউট অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোকখিবা ৱার্ল্ড কপ অদুদগী ট্রিপল টাইম ওইবা বজেৎনি । লৈবাক অদুগী সরকারনা মানে গারিমচা ষ্টদিয়াম অসি দোল্লর ৯০০ মিলিয়ন ওইখ্রে হায়না ফোংদোকপা লৈখি । ওফিসেল ওদিটরনা থাদরিবা শেনফম অদুগা চানরিব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিনবসু হৌখ্রবনি ।

ষ্টদিয়মশিং অসি শেমগৎপদা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী ওইনা লৈরিবা শেনফমদগী সিকি অমসু শোকখিবা লৈতে ।

মসিগী মরমদি শেমগৎ শাগৎপা অসি হৌরকপদা লমদম অদুগী মীয়ামনা মখোয়গী ওইবা শেনফমশিং অদুনা ষ্টদিয়ম শেমগৎপা অসি য়াদে হায়না খংহনবা লৈখিবা অদুনা পব্লিক্কী ফন অমত্তা ষ্টদিয়ম শেমগৎ শাগৎপদা য়াওখিদে ।

ফিফানা মসিগীদমক রেভিন্যু ওইনবা ব্রোদকষ্টিং রাইট অমদি স্পোন্সরসিপ তৌহনবা অমদি টিকেৎ য়োলহনবশিং অসিতনি ।



## করাটিদোগী নন রেসিদেন্সিয়েল কোচিং লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, মে ২৫ঃ*

মণিপুরী এমেচর করাটিদো এসোসিয়েসন্না শিনদুনা থা অসিগী ১৮দগী ২২ ফাওবা সাই এস এ জি খুমান লম্পাক্কী কমপ্লেক্স মনুংদা পাংথোকখিবা নন রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প অদু মায়পাক্না লোয়শিনখ্রে ।

নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা পাংথোকখিবা নন রেসিদেন্সিয়েল কোচিং কেম্প অদুদা কাই সব জুনিয়ার অমদি কেদেট জুনিয়ারগী ওইনা নিউ দিল্লীদা লৈবা তালকোত্রা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৩০দগী জুনগী ১ ফাওবা পাংথোক্কদবা চেম্পিয়ানসিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংসু খনখ্রে ।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি সব জুনিয়ার বোইজ চহি ৮–৯ মখাগী কুমিতেদা ঐচ কিংসতোন সিংহ, চহি ১০–১১ মখাগী কাতাদা মেকমিলন কৈশাম, চহি ১০–১১ মখাগী কুমিতেদা পি মংলেমজাও সিংহ অমদি চহি ১২–১৩ মখাগী কুমিৎতা জাইন্ট মোইরাংথেমনি ।

সব জুনিয়ার গার্লস চহি ৮–৯গী মখাগী কুমিৎ অমদি কাতাদা মুতুম ঙন্থোই চনু অদুগা চহি ১২–১৩ মখাগী কাতা অমদি কুমিৎতেদা জয়ালক্সমী, কেদেৎ বোইজ চহি ১৪–১৫গী কাংলুপকী কাতা অমদি কেজি ৫২গীদা এ য়াইফথোই লুৱাং, কেজি ৫৭কী কাংলুপতা আর কে রোজিৎ সিংহ অদুগা কেজি ৬৩গী কাংলুপতা এস সুরজ সিংহ কেদেৎ গার্লস চহি ১৪–১৫গী কাতা অমদি কুমিতেদা এন সিমা অদুগা এল জিবানলতা খনখ্রে ।

জুনিয়ার বোইজগী চহি ১৬–১৭কী কাতাদা মুতুম জুপিটার সিংহ, কেজি ৫৫গী কাংলুপতা টি বিশাম সিংহ, কেজি ৬১গী কাংলুপতা নিংথেম অদুগা কেজি ৬৮গী কাংলুপতা আর কে বিক্রমজিৎ, জুনিয়ার গার্লস কেজি ৪৮গী কাংলুপতা এস য়াইফবি চনু, কেজি ৫৯গী কাংলুপতা কে কুঞ্জরানি দেবী অমদি কেজি ৫৯ মথক্কী কাংলুপতা এম সোনিয়া দেবীনি ।

অন্দর ২১ বোইজকী কাতা অমদি কুমিতেদা এল অমর সিংহ অদুগা গার্লসকীদনা এস কাননবলা দেবী, টিম কাতাদা কে ঐচ বিক্রম সিংহ অমদি এন বিনোৎকুমার খনখ্রে ।

খল্লবা শান্নরোই অসিগা লোয়নননা ওফিসেল ওইনা শরুক য়াগদবা মীওই ৭ অমসু খনখ্রে । চিফ দিমিসন ওইনা কিরানকুমার থাংজম, টিম কোচ ওইনা সোইবম বিন্দেস্বরি চনু টিম মেনেজর ওইনা বঙ্কিম সিংহ ওফিসিয়েল ওইনা তোংব্রম ধরমেন্দর সিংহ, মোইরাংথেম ইবোমচা সিংহ অমদি কে নিংথেম লোয়নননা দেলিগেৎ ওইনা আর কে লানসনা সিংহ খনখ্রে । টিম অসি নিউ দেল্লীগীদমক অথুবা মতম ইম্ফাল থাদোক্লগনি ।

## ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা ব্রাজিলদা মীহুৎ থাগদৌরি

*পানাজি, মে ২৫ঃ*

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগীদমক মীহুৎ থানবগীদমক চৎকদবা মীওইশিং অদুগী টিকেৎ বুক তৌবা লোয়খ্রে হায়রি ।

ঙসিদগীনা নুমিৎ ১৭নি মতুংদা ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা কপ অসিগীদমক ফিফাদা মীওই ২৬৩গী টিকেৎ পিরাক্লবা খংহখ্রে ।

মখোয় অসিগী মনুংদা ব্রাজিল অমদি মাঞ্চেষ্টরগী রিপ্রাজেন্টেটিভ ওইবা অমা য়াওরবা য়াই হায়রি । টিকেৎশিং অসি টিমশিং অসিবু শৌগৎপা ফেনশিংদা পিনবা অমদি ব্রাজিলদা পাংথোক্লিবা অচৌবা স্পোর্টকী ইভেন অসিবু য়েংনবনি ।

মখোয়না টিকেৎ অসি হান্না ফংদ্রিঙৈগী মমাংদা ভিসা হান্না য়াওরি । টিমশিংবু পুক্নিং থৌগৎপা অমদি ফুটবোল মশান্নবু পামজবা ফেনশিংনা মখোয়গী ভিসা অদু ওথোরিনা রিজেক তৌরকপা অদুদা নুংঙাইতবসু ফোংখি । মখোয়গীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা মতেং পাংনবা ওফিসেল ওইনা থোক্কুনা ভিসাশিং অদুবু য়াহনবিনবা মরি লৈনবশিংদা অইবা চেরোল পিখিবা লৈ হায়রি ।

চেরোল অদুদা ফোংদোকখিবদা ব্রাজিলদা পাংথোক্কদৌরিবা ফুটবোলগী অচৌবা কুম্মৈ অসিগী হৌদোকপা নুমিৎ অদুদা য়াওরুনবা মখোয়বু টিকেৎ পিনবা অমদি মফম অদুদা চৎনবগী ভিসা পিননবা ৱাফমশিং ফোংদোকপা লৈখি ।

মীহুৎ অদুনা মখাতানা হায় মখোয়না মতম চানা টিকেৎ ফংফম থোকই । অমদি ভিসা ফংফম থোকই হায়না গৱাগী ওফিসিয়েল অমনা ফোংদোরকখি। মহাক্না লোয়নবা মীওই ৩না জুন ৮গী ব্রাজিলগীদমক্তা এরোপ্লেনগী টিকেৎ বুক তৌখ্রেসু হায়রি ।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা থোক্লিবা থৌদোক অসিবু মীৎয়েং চংবিনবা অমদি টিকেৎ ককলুরবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা য়াওরিবা ব্রাজিলদগী লাক্লগা ইন্দিয়াদা শান্নরিবা মিদ ফিলদর রোবাতো মেদেসসিলভা হায়রিবা দেমপো স্পাট ক্লব শান্নরোই অসিগী ৱাফম অসিসু দিল্লীদা লৈরিবা এ আই এফ এফকী ওফিসতা খংহল্লক্লি । বেন্তোনা টিকেৎ অসি হান্দোকপগা লোয়নননা মসিগীদমক লুপা লাক্ষ ৪০ সু হল্লক্লবা ব্রাজিলদা লৈবা টিকেতিং ওফিসারদা খংহনখ্রে ।

ব্রাজিলদা চৎপা য়াদ্রবা মীওইশিং অসিনা ককলুরিবা টিকেৎ অসিবু লৌরগা ব্রাজিলদা চৎনবগীদমক্তা ভিসা পায়রবা মীওইশিংনা এ আই এফ এফতা অথুবা মতমদা লাক্কুনা খংহল্লবা য়াগনিসু হায়রি । ব্রাজিলিয়ান ফুটবোল একাদামি কোচ ওইবা মীওই অমনা রিও দিজেনেরোগীদমক্তা খোংশান্নবা পোৎচৈ পোৎ তৌবা লোয়রে হায়খি ।

ফিফানা থোকপা চেরোল অমদা পাংথোক্কদৌরিবা ফুটবোলগী অচৌবা কুম্মৈ অসিগীদমক্তা মশক মমিং খংদবা শেলারনা য়োনবা টিকেৎ পায়দুনা ৱার্ল্ড কপকী ষ্টদিয়ামশিংদা চংবগী অয়াবা লৈতে হায়নসু খংহনবা লৈখ্রবনি ।

মসি ফিফানা অন ওথোরাইজ ওইনা টিকেৎ য়োনবা কাংবুশিং মীপুম খুদিংমক্তা খংহনখিবনি । মীওই কয়ানা মমাংগী চয়োল ফাওবদা মখোয়না লৌরিবা টিকেৎ অদু কলেক্সন তৌবা মতমদা ফেল ওই হায়দুনা ফিফাগী কাংবুদা পাউ পীরকপা লৈখ্রবনি । মসি ফিফাগী মর্কেটিং দাইরেক্তর ওইরিবা থেরি ৱেল্লস ফোংদোকপদা মীয়ামনা ৱার্ল্ড কপকী টিকেৎ ওন লাইনদগী লৌরিবনি হায়দুনা অরানবা ৱেভ সাইটতা হায়বদি অন ওফিসেল ওইবা ৱেভ সাইটতা চংলগা টিকেৎ লৌরুবগীনি । ৱার্ল্ড কপকী মেটচ ৬৪ অসিগীদমক ফিফানা তোঙান তোঙানবা মেটচশিং য়াওনা হৌজিক ফাওবদা মিলিয়ান ৩.৩ গী চাংদা য়োনখ্রে । মসিগী মথক্তা নুমিৎ অদুদা লাক্কদবা অতোপ্পা মশক নাইবা গেষ্টশিং অমদি মেদিয়াগী মীওইশিং য়াওনা ৱার্ল্ড কপকী ষ্টদিয়াম কেপাসিতি অসি খক্তমক য়েংদুনা টিকেৎ থাবনি হায়নসু ফোংদোকখি ।



অদুদগী চেকশিন্নবা ফুটবোলবু পামজবা অমদি পুক্নিং থৌগৎপীবা

## চিলদ্রেন সমর কেম্প অমদি জুকো ট্রেকিংগী মতম নৌনা লেপ্লে

*ইম্ফাল, মে ২৫ঃ*

মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ট্রেকিং এসোসিয়েননা শিন্দুনা পাংথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা চিলদ্রেন্স সমর এদভেঞ্চর কেম্প ২০১৪ অমদি জুকো ভেল্লি ট্রেকিং প্রোগ্রামগী মতম নৌনা লেপখ্রে ।

চিলদ্রেন্স সমর এদভেঞ্চর কেম্প অসি জুনগী ১৬তগী ২২ ফাওবা পাংথোক্কনি । হান্ননা শরুক ফোর্ম পিশিনবা নংহৌদবা অঙাংশিংনা জুনগী ১৪ ফাওবদা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এগী ওফিসতা লাক্তুনা ফোর্ম পিশিনবা য়াগনি অদুগা ফোর্ম লৌহৌদবশিংসু ওফিস অদুদা লাক্কুনা ফোর্ম লৌরবা অমদি হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা পিশিল্লকপা য়াগনি ।

অমরোমদা এসোসিয়েসন অসিনা শিনবা জুকো ট্রেকিং প্রোগ্রাম অদুনা মথং থা জুন ৫দগী ১০ ফাওবা পাংথোক্কনি । ট্রেকিং প্রোগ্রাম অসি লাক্লিবা ৱার্ল্ড এনভাইরোমেন্ট দে ২০১৪গা মরি লৈননা পাংথোকপনি । প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা ট্রেকিং অসিদা অনৌবা লোকেলগী রুদ অমা শেমদুনা হায়বদি মাওদগীনা জুকো ফাওবদা চৎকনি ।

খোংচৎ অসিদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা এম এম টি এগী ওফিস ওইরিবা য়াইফা শঙলেন্দগী ফোর্ম লৌরগা লাক্লিবা জুনগী তাং ২ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। শরুক য়ানিংবা মীওইশিং অদু মশাগী চহি ১৬তী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি ।



ব্রাজিল ৱার্ল্ড কপ ২০১৪গী ফিয়ার প্লে হায়না থাবা ফিফাগী ফ্লেগ পুগদবা নুপী মচাশিংনা ট্রেনিংদা শরুক য়াবা

### জেনেরেল বোদি পাংথোক্কনি

*ইম্ফাল, মে ২৫ঃ*

মণিপুর ষ্টেট কাবাদি এসোসিয়েসনগী চহি ৪ তার্মগী থৌ পুগদবা ওফিস বিয়ারর খন্নবগী জেনেরেল বোদি মীফম অমা জুনগী তাং ৮দা উরিপোক্তা লৈবা ইয়ু সি এ এল গী গ্রাউন্দদা পাংথোক্কনি । জেনেরেল বোদি অসি পাংথোক্লবগীদমক ঙসি উরিপোক্তা লৈবা ইয়ু সি এ এলগী গ্রাউন্দদা লৈবা ওফিসতা নুংথিল পুং ১ তাবদগী এজিক্যুটিব মেম্বরশিংগী ওইবা মীতিং অমা পাংথোক্লবা মতুংদা মথক্কী ৱারেপশিং অসি লৌখিবনি ।

হায়রিবা জেনেরেল বোদি অসিদা মণিপুর ষ্টেট কাবাদি এসোসিয়েসনগী লাইফ মেম্বর অমসুং দিষ্ট্রিক কাবাদি এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্লবসু খংহল্লক্লী ।



ওপোনেন্ট শান্নরোইনা য়ৈরকপা বোল হান্নবা হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱাল


IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IW-WANGOI
Ref. : Mut East No. 125/SDC/IW/2014

ABUJAM THOIBI DEVI
w/o (L) A. Mani Singh of Samurou Awang Leikai
Patitioner
Vs
(L) ABUJAM BOBY SINGH
s/o Mani Singh of Samurou Awang Leikai
Opp. Party

NOTICE
Wangoi, dated the 23rd May, 2014

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহজ্জরী মদুদি মৃত pattadar Abujam Boby Singh গী মীংদা পানবা village no. 90 গী patta no. 62/1289 গী দাগ নম্বর 1256 কী এরিয়া .78 acres গী ফৌরেল লৌফম অসি petitioner না মশাগী মীংদা নামা পানশীনবীয়ু হায়না উক্তা court তা দরখাস থারক্লে । মরম অদুনা মরি লৈনবা মীওইশিংনা Notice অসিগী মতুং নুমিৎ 7 নি ফাউবগী মনুংদা উক্তা court/SDC Office তা লাক্কুনা objection তৌবীরবা য়াগনি । মতুং লাকপা আপতী লৌজরোই । Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, IW
Wangoi